# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 14-12-2025)**

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি-সেনাপতি জিলা অসি মহৌশাগী ফজবা কয়ানা থল্লবা, নাৎ চৎনবী কয়া লৈবা অমদি লম কোইবা মীওইশিংনা পামরবা মফম কয়া লৈবা লমদম অমনি।

সেনাপতি জিলাগী জৈলিপৌদা ঙরাং মরিসুবা রাজ্য থাক্কী বরাক ফেষ্টিভেল হৌদোক্লদুনা রাজ্যপালনা হায়-ফেষ্টিভেল অসিনা বরাক তুরেলগী তোর্বানদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরি হায়বদু উৎলি। হেরিতেজ ইন হারমোনি হায়বা হিরমদা পাঙথোক্লিবা ফেষ্টিভেল অদুগী মতাংদা রাজ্যপালনা হায়-বরাক ফেষ্টিভেলনা মফম অদুগী মীয়ামগী য়েলহৌঙৈদগী শাগোন্নরক্লবা নাৎ চৎনবী কয়া মীয়ামদা ডৎথোকপা ঙম্লি।

মহাকা হায়-জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পুন্না লুপা কোতি ৮ লাখ ৪৬ চংনা লম কোইফমশিং শেমগৎপগী থবক চথরি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা বরাক তুরেল লুনা নান্না থমবগী থৌরম অদুবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা রাজ্যপালনা মফম অদুগী ডমং, তুরেল অমসুং মহৌশাগী ফিভমশিং কায়হন্দনা য়োক্তুনা থমবা হোৎনবদা মফম অদুগী মীয়ামা অচৌবা থৌদাং লৌননবা তকশিনখি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথরি। ঙরাংসু ককচিং জিলাগী সুগ্ পুলিস ষ্টেসননা কোনবা মোলতিনচান খুলদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা নোংমৈ য়াওনা পোকখায়বা য়াবা পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

পুলিসকী পাউনা হায়-খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা এস.এল.আর. রাইফল অমা, বোল্ট এক্সন স্নাইপর রাইফল অমা, দবল বেরেল নোংমৈ অমা, সিঙ্গল

বেরেল নোংমৈ অমা, লোকেল মেদ পিষ্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, ট্যুব লোঞ্চিং অহুম অমসুং স্তন সেল মঙা য়াওরি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কাঞ্চিপুরদগী প্রিপাক (প্রো) গী মীওই অনি ফারে। মখোয়দগী নোংমৈ মরু ১২ য়াওবা নাহন এম.এম. পিষ্টোল অমা অমসুং পোইন্ট থারতি আইটকী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু অনি ফাগৎলে। অমরোমদা, বিষ্ণুপুর জিলাগী কুম্বী ময়াই লৈকাই ৱার্ড নম্বর সিক্সতগীসু লুপ অসিগী মীওই অমসু ফারে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মোইরাং কম্পু সাজেপ মখা লৈকাইদগী য়ু.এন.এল.এফ (কোইরেং) গী নুপী কাডর অনি ফারে। য়ু.এন.এল.এফ (পি) গী এক্তিব কাডর অমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লম্ফেল সুপর মার্কেট ময়াদগী ঙরাং ফারে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোম্পাৎ পাংগল লৈরক্তগী দ্রগ দিল্লরনি হায়বা অমসু সাপোন কেপ ৭ তা হাপ্লম্বা হেরোইনগা কোন্ননা ফারে।

পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তানা হায়-রাজ্য অসিদা ফাওদুনা চেল্লিবা নেসনেল হায়ৱেশিংদা নমদুনা শেল খায়বা অমদি আইননা য়াদবা থৌওংশিং চথুরিবা অসি থিংননবা থিবা হুম্বগী থবক চথুরি।

অকনবা চেকশিন থৌরাংগী মখাদা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম পুবা গাড়ি ৪০১ ইম্ফাল তমা পুশিল্লকখ্রে।

**অমিতঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-নেক্সিলিজমনা কনাগুম্বা অমত্তদা কান্নবা ফংহনবা ঙমলোই অমসুং শান্তি খক্তনা চাউখৎপগী মায়কৈদা চংশিলহনবা ঙমগনি।

ছাতিসগরগী জগদালপুরদা ঙরাং বাস্তর ওলিম্পিক লোয়শিনবগী থৌরমদা

ৰা ঙাংবদা শ্রী সাহনা ২০২৬ কী মার্চ ৩১ ফাওবদা লৈবাক অসিদগী নেক্সিলিজম পুংমুৎ মুথৎপা হায়বা সরকারগী ফিরেপ অদু নৌহৌনা পনখি। মহাকা হায়-কেন্দ্রনা চহি মঙাগী মনুংদা ছাতিসগরগী বাস্তর দিভিজনবু লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউখৎপা ত্রাইবলেগী লমদম অমা ওইহন্নবা ৱারেপ লৌরে।

শ্রী সাহনা হায়-নেক্সিলিজমনা মফম অদুগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা থিন্থহল্লে। অদুবু, মসি পুংমুৎ মুথৎখ্রবদি চাউখৎপগী অনৌবা থাক অমদা কাখৎপা ঙম্লগনি। আইননা থিংখ্রবা মাওইষ্টশিং অমদি মখোয়গা মরী লৈনবশিংদা খুৎলায় থাদোক্কুনা খুন্নাইগী মহৌশাগী ইচেলদা তিল্লকবসু মহাকা আপিল তৌখি।

**প্রোগ্রামঃ** ভারত অমসুং আসিয়ানদা য়াওরিবা লৈবাক ১০ গী টুরিজমগী লমদা খঙ হৈরবশিংনা নুমিৎ নিনি চুপা কুপা খন্ন-নৈনবগা লোয়ননা আসিয়ান-ইন্দিয়া টুরিজম প্রোফেস্নেল একচেঞ্জ প্রোগ্রাম ২০২৫ গুৱাহাতিদা হৌখ্রে।

অসাম টুরিজম দিবলপমেন্ট কোরপোরেসননা ভারত সরকারগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী মখাদা পাঙথোকপা থৌরম অসি থা অসিগী ১২ দগী ১৭ ফাওবা গুৱাহাতি, কাজিরঙ্গা অমসুং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদবনি। থৌরম অসিদা কম্বোদিয়া, ইন্দোনেসিয়া, লাউ পি.দি.আর, মালেসিয়া, ম্যান্মার, ফিলিপিন্স, সিঙ্গাপুর, থাইলেন্দ, তাইমোরলেসটেক অমসুং ভিয়েটনামদগী মীহুৎ ৪১ শরুক য়ারি।

**নদ্দাঃ** বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট অমসুং কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ যুন্বাল মন্ত্রি-জি.পি. নদ্দানা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা ভারত চাউখৎপগী মায়কৈদা লেপ্পুনা চংশিল্লি।

হিমাচল প্রদেসকী শিমলাদা বি.জে.পিগী ষ্টেট ওফিস অমা যাত্র হুনবগী থৌরমদা শ্রী নদ্দানা হায়-লৈবাক অসিদা লৈরিবা বি.জে.পিগী ওফিসশিং অসি

শুপগী বিল্ডিং অমখক নত্তে। মসিদি মগুন লৈরবা নিতি নিয়ম ঙাকা চৎপা, মীয়ামগীদমক সেবা তৌবা অমসুং লৈবাক অসি চাউখৎনবগী সেন্টর অমনি। মহাকা হায়-বি.জে.পি. অসি মশাগী ফিদম ঙাকা চৎপা দল অমনি।

**পাতিলঃ** কংগ্রেস লুচিংবা অমসুং হান্নগী কেন্দ্রগী মন্ত্রি-শিবরাজ পাতিলগী অরোইবা মথৌ মঙম মপুং ফাবা ইকায় খুমবগা লোয়ননা মহারাস্ত্রগী লাতুরদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা লোক সভাগী অধ্যক্ষ-ওম. বিরলা, কংগ্রেস প্রসিদেন্ট-মালিক অরজ্‌ন খর্গে, কেন্দ্রগী ঙাকশেল রাজ্য মন্ত্রি-সঞ্জয় সৈখ, মহারাস্ত্রগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-অশোক চৌহান অমসুং করনাতক্কী মন্ত্রি-ঈশ্বর ফন্দ্রেনচিংবা শরুক য়াখি। শিবরাজ পাতিল হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা লৈখিদবনি।

**সুট্টিংঃ** ৬৮ শুবা নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়নসিপ কম্পিটিসনদা ওলিম্পিয়ান-রাইজা ধিলোননা ৱিমেন্স অমসুং জ্‌নিয়ার ৱিমেন্স স্কিদ ইভেন্টশিংদা সনাগী তকমান অনি ফংলে।

য়াসাসভি রাথোরনা নুপাগী অদুগা ওলিম্পিয়ান-গানেমত সেখোননা শেঙ্গেংগী তকমান ফংখি। নুপীগী কিদ টিম ইভেন্টতা রাজস্থাননা সনাগী, মধ্য প্রদেসনা লুপাগী অমসুং পঞ্জাবনা শেঙ্গেংগী তকমান ফংখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

বি.জে.পিগী এম.এল.এ. খুদিংমক নিউ দিল্লিদা থুংখ্রে, কুকি এম.এল.এশিংদি গুৱাহাতিদগী চৎখ্রে। বি.জে.পি. এম.এল.এশিংগা ৱারী শাদ্রিঙৈগী মাংওইননা কুকি সু গ্রুপকা সেন্ত্রেলগা ৱারী শাখে হায়বা পাউ বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা নহারোলগী থৌদাংদা ফোংলি।

ইথিকেল মেদিয়া প্রাক্তিসেসকী নোংমগী ওইবা কন্সলটেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে, কাংলোন চুমা সোসিএল মেদিয়া শিজিন্নবা মথৌ তাই হায়বা দি.আই.পি.আরগী দাইরেক্তর-ঙাঙোম উতমগী ৱাফমনা সনা লৈবাক্কী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

মরিশুবা রাজ্য থাক্কী বরাক ফেষ্টিবেল ২০২৫ সেনাপতি জিলাগী জৈলিপৌদা হৌদোকখিবগী পাউ ফোটোগা কোন্ননা মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-সু গ্রুপ য়ু.পি.এফ. অমসুং কে.এন.ওনা কেন্দ্রগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী মীহুৎকা উন্নবদা মনিপুরগা অমুক পুনশিনবগী ৱাফম লৈতে হায়বা ৱাফমনা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

বোম থমজিল্লম্বগী ওইল পম্পশিং হাংখিদ্রে, ল্লেক্তা পেত্রোল লিটরদা লুপা ১৫০ দগী হৌরগা য়োন্নিংবা মমলদা য়োনখ্রে হায়বা পাউনা পোকফমগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুর সরকারনা রাজ্য অসিদা সাইভর সেক্যুরিতিগী তোঙান তোঙানবা থ্রেটশিংবু য়েংশিন্নবা য়ু.এস. দোল্লর মিল্লিয়ন ১৪ চংনা সাইভর সেক্যুরিতি ওপরেসন সেন্টর শেমনবা খন্নরি হায়বা পাউ অমা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ঙসি কংগ্রেসনা ন্যু দিল্লিগী রাম লীলা মৈদানদা ভোট চোরগী মায়োক্তা অচৌবা রেল্লি পাঙথোক্কদৌরি, ভোট চোরগী মায়োক্তা কংগ্রেসনা খোমজিনবা খুৎয়েক কোতি মঙা লাখ ৫ প্রসিদেন্টতা পীশিনগদৌরি হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কৈবুল লমজাডদা সঙাই ব্লিদিং সেন্টর শাবগী অয়াবা পীরক্লে অমসুং মথোন লোংবা গাড়ি পার্কিং লাক্লিবা জানুৱারীদা শঙ্গাগদৌরি হায়বা পাউশিং অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।